# হংনীংলি ৱাহং অমদি !

**- কাংজম হেমন্ত -**

মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কীদমক য়াইফনবা থবক তৌবা, মীয়াম্না লুচিংবনি হায়না য়ানরবা মপূং ফাবা মীওইশিং অতাঙবনি। মীওইবনা মালেমদা লৈরকপা, চাওখৎ খোঙথাংগী লম্‌দা খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনরকপদা মখল মখা কয়াগী লৈঙাক্লোন থেংনরকপা অমসুং অওনবা কয়া লাকখিবগী ৱারী শীংবুল লৈরি। মীওইবনা থেংনরকপা অৱা অনা কয়া মায়োক্লনবা হোৎনবা অমসুং মান্নবা খুন্নাই হায়বদু লৈহন্নবা হোৎনরকপদা মপুন্সি কৎথোকপা ঙমখিবা লুচিংবা কয়াগী মমিং ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংলি। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদা, নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়া লৈরম্বদগী মতমদুগী মরৌ লৈবা বৃটিশনা মথং মথং লৌশিনখিদুনা ইন্দিয়াগী মনীং মখা তম্বগী শাংলবা লান মায় পাক্লবা হোৎনবদা কত্থোকপদনা মশরুক ওইখ্রবা লুচিংবশিংগী মনুংদা মীয়াম্না জাতিগী মপা হায়রগা খঙনরবা, মহাত্মা গান্ধীগী মমিং পনবা য়াই। নীংতম্লবা মতুংদা ফম পায়বগী ৱাখল অমত্তা লৈতনা কাঙলূপ-ফুরুপ, লাইনীং খায়দোক খায়জিনগী ৱা-খল্লোন থাদোক্তুনা অমত্তা ওইবা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন শাগৎলকখিবা মহাকপু ঙসিদি মালেমগী মীপূম খুদিংমক্কা মীয়ামগী লুচিংবা অমনি হায়দুনা শকখঙনরি। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা মতমদুদা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈখিবা মণিপুরদা নিংথৌ মচাশিংগী মরক্তা ৱাখল মান্নরক্তবদগী বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মখূত্তা তাখি। বৃটিশকী মখাদা চুড়াচান্দ মহারাজবু নিংথৌ ওইহল্লগা লৈঙাক চলাইহনখ্রবা মতুংদা মণিপুরদা মীপূম খুদিংমক্কা য়ানরবা লুচিংবা হিজম ইরাবত থোরকখি। লুচিংবা অসি শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা, থিএটরদা ঙাওজবা অমসুং জর্নেলিষ্ট ওইবদা নত্তনা সাহিত্যদা লুপচবা মীওই অমসু ওইখি। শম্না হায়রবদা মহাক অসি মায়থোঙ য়াম্বা, তুংগী মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা লুচিংবা অমনি। মীথোই মীহেনখিবা হিজম ইরাবতনা নিংথৌকোনগী নুংঙাই মথোই কাবা পুন্সি ফাওবা কল্লকপা, মীহৌবা অমত্তা য়াওদনা লায়রবা তোল্ল-তারবা লৌমী-শিন্মী, শিনফম খুদিংদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক লেপখিবা অতাঙবা লুচিংবা অমা ওইখি। মমা লৈবাক মণিপুরগী মনীং মখা তম্বা, মান্নবা খুন্নাই অমা লিংনবা হোৎনবদা কত্থোকপা য়াবা কত্থোক্তুনা মতমদুদা মীয়ামগী ঈনোৎ চাওনা পীবা ঙম্বা ঈশৈ ফাওবা ইদুনা মীয়ামগী অপূনবা লিংজেল শাগৎনবা হোৎনখি। থাঙ্গোল অদু ময়া থাংঙু থৌনা হে লৌউবা হায়বা কাউঙল্লরোইদবা ঈশৈগী শুর অদু ঙসি ফাওবা লমদম অসিগী মীয়ামদা তাম্থা চানা য়ৈরি। মহাক্না পামজরম্বা পান্দম ফংবা ঙমদনা মতমদুগী বর্ম্মাদা মীরোৎ ওইনা লৈখিদুনা মপুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

সেপ্টেম্বর থা অসি লময়ানবা হিজম ইরাবতকী পুন্সি খোঙচৎকা তৎন-থানবা য়াদ্রবা য়াম্না মরু ওইবা থা অমনি। থা অসিনা লাকপদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা লময়ানবা হিজম ইরাবত নীংশিং থৌরম মণিপুর শিনবা থুংনা পাঙথোক্লখিবা, ষ্টেটকী থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা লময়ানবা ইরাবতকী মগুণ চাওনা তাহনখ্রে। থৌরম পাঙথোক্লিবশিংনা লময়ানবা ইরাবতকী কত্থোকপা ঙম্বা, নেসনেলিজমগী ওইবা ৱা-খল্লোন অদুখক নত্তনা মীওইবা জাতিগীদমক শাগৎলম্বা ৱাখল্লোন অদু চেন্নবা হোৎনরিব্রা হায়বদুমদি অচৌবা ৱাহং অমদি ওইরি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক লৈরিবা অনৌবা এসেমব্লি হোল অসিগী মমাঙদা লময়ানবা অসিগী মিত্তম অমা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা খিল্লিবা অমদি মহাক্কী মপোক কুমওনবু ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা লাউথোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অসিবুদি থাগৎনীংঙাই ওই। অদুবু তঙাইফদ্রিবদি মহাক্না পামজরম্বা ৱা-খল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোকপদুনি। মাগী মিতমদমক খিল্লগা তৌথোরকপা থবক লমচৎ শাজৎনা ওন্ন-তৈনবা তৌরবদি মিতম খিল্লুবগী করিবু কান্নবা লৈগনি। পোলিটিকেলগী ওইবা মীৎয়েংদা শেঞ্জা থুমজা, মীচং শঙ্গ অমদি অচৌ পিশক খাইবগী ৱাখল চেনবা কয়ানা পীক থন্না শৌগৎলকপদগী মণিপুর খুন্নাইগী ফীভম অসি সমুদ্র ইরোলনুংদা লুপকদবগী ঙাইদুনা লৈরবা টাইটানিক্কা চপ মান্নবগী ফীভমদা লৈরে। মীৎয়েংনা অমা, ৱাখলনা অমা লৈহন্দুনা লায়রবনা নল্লিবা লমদম অসিগী অশোয় অঙাম কয়াবু চুমথোকমীন্নদুনা ওইজ ওইথক তান্দবা লুচিংবা থোরকপা উদ্রি। ঙসিনা ফজবা ৱাখল্লোনগী মখাদা থৌরম পাঙথোক্লম্লগা, লোইখিবা মীকুপ্তগী মহৌশানা ফংলকখিবা পোলিটিকেলগী ওইজনাম, পুজনামদা হেক্তমক লৈখিবনা অয়াম্বনি। হার বেগ অমদা লুপা ২৬৫ সবসিদি য়াওরগা ফংগদবদু লৌমীশিংনা লুপা ১১০০ অমদি ১২০০দা লৈদুনা চাইনবগী পাউ তারি। মীওইবনা হিংবদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈগী মমল নোংম-নোংমগী অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপদগী নোংমগী শুরগা নোম্লগা চারিবা মীওইশিংদি ৱাবনা খম থেংলে। মসিদবু কদাইদগী মান্নবা খুন্নাইনো? নুপী অঙাং খুন্নাইসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী পুন্সিরোলদা অকি অখংগী ওইবা থৌদোক কয়া থোরকপা অমগা অমগা ৱাখল মান্নদবা কয়ানা পীক থল্লকপগা লোয়ননা খুন্নাইসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম লৈখা তারক্লি। লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়ানা লমজিংবীনবা কনা লৈতনা শুফম নোম্ফম খঙদনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা লৈরি। মরক অসিদা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলম কয়াসু নোংম কাংদনা ফাবগী পাউসু লেপ্তুনা তারি। ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা য়ানরবা মহাক্কী মমীংবু তুং কোইনা শক্লা শোন্নহৌগদবা লুচিংবা অমা ফাওবা উবা ফংদ্রি। অসুম্না লমদম অসিদা অশেংবা লুচিংবা লৈরক্তবদগী চমোৎনরবা রাজনিতিগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি তুং কোইনা চত্থদুনা লৈরবদি ঙসিগী অমদি তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংগী লাইবক করি ওইগনি? খল্লুবদা অমম্বগী মশকনি। হংনীংলি ৱাহং অমদি! তত্তনা, 'থোরক্লরোইদ্রা ইরাবত কুম্বা লুচিংবা'? ●

## ষ্টেটকী পাউ

### খোংমন জোন-টুদা নুমিৎ ৪৫নি চত্থগদবা ৱিভিং ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): নুমিৎ ৪৫নি চত্থগদবা ৱিভিং ট্রেনিং, স্মার্ট স্কিম মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং, দ ৱিভর্স সর্ভিস সেন্টরনা শীন্দুনা থোংজু পার্ট-টুদা লৈবা শিন্থা হেন্দলুমস এন্দ হেন্দিক্রাফটস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা বাসিখোং জিল্লা পরিষদ ইম্ফাল ইষ্ট মেম্বর চিরোম জসোৱন্ত এলিয়জ রোমিওনা হায়খি, ইয়োংগী ফি শাবা হায়বসি মণিপুরগী মপান্দা মশিং য়াম্না য়োনবা ঙল্লবদি চাওখৎপা হায়বদু ওইগনি। অদুনা ফি শাবগী ট্রেনিং তৌবা হায়বসি ইশাদা কান্নবা পীবা অমনি। অদুনা কান্নবশিং অসি করম্না লৌগদগে হায়বসি ট্রেনিং তৌবা মতমদগী খঙবা চঙই। তান্নবা অমসুং খঙনবা হংবা অসিনা হেন্না মরু ওইবা অমনি হায়খি।

শিন্থা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটসকী প্রসিদেন্ট অমসুং মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর এন্দ হেন্দিক্রাফটস আর্টিসান্স সী এস লিমিটেদকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এস ভুবোননা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি। হেন্দলুম হায়বসি করিনো হায়বসি হান্না খঙননবা হোৎনবা চঙই। ইয়োংগী ফি হায়বসি, ইয়োংদা শারিবা ফি খূদিংমক মান্নবা নৎতে, হায়ফেৎ য়েংবদা মাল্লগসু খেন্নবদি লৈরিবা অমনি। অদুনা ইয়োংগী ফি অসিদি তোপ তোপ্পা মতিক ময়াই য়াওজবা ফজখ্রবা ফি অমা ওইরিবনি।

ইয়োংদা শাজবা ফি অসি লৈবদা অমদি শেৎপদা চাউথোকচবা পোকচরিবনি। মেচিনদা শাদুনা পুথোরক্লিবা ফিশিংগা চাংদম্নবদা অদুক্কী মতিক খেন্নবা ফজখ্রবা মশক অমা ওইরিবনি। শীজিন্নবা মতমদসু খেন্নবা মশক লাক্কনি। ফি শাবা হায়বসিদা শারিবা মী অদুগী শারিঙৈদা লাকখিবা ৱাখল্লোন অদু ফি অমা শাবদা অমুক লাকপা নত্তে, মসিদা মীয়াম্না খঙবা চঙই। অদুনা ইয়োংগী ফি শাবা ফি শেৎপগী চাউথোকচবা পোকচরিবা অসিগী মতিক ময়াই মীয়াম্না খঙবীরগা লৈবীয়ু হায়খি।

থৌরম অসিদা থোংজু পার্ট-টু গ্রাম পঞ্চায়ত প্রধাণ নামৈরাকপম কানোন চনুনা থৌরম মপু ওইখি। দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইলস, ইম্ফাল ইষ্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর প্রোজেক্ট মেনেজর সীঐচ তোম্বী, ৱিভর্স সর্ভিস সেন্টর ইম্ফাল (মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস) গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (ৱিভিং), এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ইবোহল, থোংজু পার্ট-ৱান গ্রাম পঞ্চায়ত প্রধাণ থোংবম লাতা, প্রধাণ বাসিখোং জি পি এন বিনোলাতা, প্রধাণ খোংমন জি পি এম নুশিরৈ, প্রধাণ তোর্ব্বান ক্ষেত্রি লৈকায় জি পি লোংজম ওংবী চাওবী, উচেক্কোন নোংচুপ জি পি কে মুনিন্দ্রো অমসুং প্রধাণ, উচেক্কোন নোংপোক জি পি এন জাদুমনিনা মীথুংশিং ওইখি।

### কোভিদকী চৈথেং ফংলবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা পি এম এস স্কিমগী শেন্থং পীজবনি: গ্যানেন্দ্র




ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯না চৈথেং ফংলবা লম্বী মতাইদা পোৎ য়োল্লিবশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্বানিধিগী শেন্থং মখাদা সবসিদি গ্রান্ট য়াওনা লোন পীবসিনা মখোয়দা অৱাবা খরদি শাফরগনি হায়না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর ক্ষেত্রিময়ূম গ্যানেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

আর বি আই, এস বি আই, বেঙ্ক ওফ বারোদা, এম আর বি, একজিস বেঙ্কনচিংবা বেঙ্কশিংগী খূত্থাংদা পীবা প্রাইম মিনিষ্টর স্বানিধি স্কিমগী মখাদা শেন্থং পীননবা কেম্পেন জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেন অসিগী মনুং চন্না ক্ষেত্রিময়ূম গ্যানেন্দ্রনা মখা তারদুনা হায়খি, লম্বীগী মতাইদা পোৎফম ফল্লিবশিং অসি মণিপুরগী আই এম সীনা কোনবদা লৈরিবসি লিশিং ১৩নি। লম্বী মতাইদা পোৎফম ফম্বা অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরনা মশিং খ্বাইদগী হেনবা ওইরি। মখোয়দা লিশিং ১০দগী লিশিং ৫০ ফাওবদা পীবা অমসুনি। মসি আই এম সীনা গরেন্টর ওইরগা পীগদবনি। থা খূদিংগী থিবা তাবনি।

২০২০গী এপ্রিল, মে অসিদগী লোক দাওন লাউথোকখ্রবা মতুংদা পীবা লোননি। লুপা লিশিং ১০ পীখিবা অসি গরেন্টর অমত্তা য়াওদনা পীবা লোননি। ঙসিদি বেঙ্ককী মায়কৈদগীসু খরা শুবা ৱাংলি। অদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২৭দসু অমুক মখা তানা পাঙথোকখিগনি।

হৌজিক ফাওবদা বেঙ্কতা হংবদা লোনসি শিংই হায়বীরকই। শিংখ্রবা মতুং হৌজিক লিশিং ৫০ পীবিয়ু হায়না লাকপা য়াওরি। ইন্দিয়াগী মনুংদা আই এম সীগী মফম য়াম্বা অদুগা লম্বী মতাইদা পোৎফম ফম্বসু য়াম্না লৈবা মণিপুরনি। মরমদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলখক্তদা নত্তবদা শিংজমৈ কৈথেল, লম্লোং কৈথেল, খুমন লম্পাক, ক্বাকৈথেলসি য়াম্না পাক-চাওবা অমনি হায়খি।

### আর্টিষ্ট হায়বসিদি য়াম্না পাক-চাওবনা কলচরগী বজেট চাওখৎহনবা মথৌ তাই: এল সুশিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): আর্টিষ্ট হায়রগদি য়াম্না পাক-চাওবা মরম্না কলচর দিপার্টমেন্টকীদমক বজেট চাওখৎহনবা মথৌ তাই হায়না এম এল এ অমদি লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা এল সুশিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

থিএটর সেন্টরনা শীন্দুনা মণিপুর থিএটর নুমিৎ পাঙথোকপগা লোয়ননা লাইরিক নীংশিং খূদোল ২০২১ থৌনাওজম চাওবদা লান্থোকখ্রে। খোইস্নাম ইবেচাওবী নীংশিং মনা ২০২১না হুইদ্রোম চন্দ্রদা খূৎশিন্নখি। কোমোল নীংশিং মনা ২০২১গী মনানা লৌবূকতোংবম ভুবনেশ্বরিদা লান্থোকখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০; সাল অমসুং নুপাগীনা কোকয়েৎ য়াওনা সর্টিফিকেট পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এল সুশিন্দ্রোনা মখা তানা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা আর্টিষ্টশিং অসি লিলা, দ্রামাখক্তা নত্তনা য়াম্না পাক-চাওবনা মরম্না মখোয়বু ফগৎনবা অমদি হিংহন্নবা লোয়ননা য়োকখৎনবা হোৎনবদা লাক্কদৌরিবা মথংগী বজেট চাওখৎহনবা মথৌ তাই। আর্টিষ্টশিংনা পাল্লিবসি করিনো হায়বসি লৈঙাক্লা খঙবীবসু মরু ওই। অপাম্বা খূদিংমক্তি থুংহনবা ঙম্বমক্তি নত্তে। অদুবু খুন্নাইগী য়াঙলেন শরূ ওইরিবা কলচরবু পামজ রিবশিং অসিগী অপাম্বশিংগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিনবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নবনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর থিএটর নুমিৎ অসি য়াম্না পূক্নিং নুংশিবা নুমিৎ অমনি। মালেমদা থিএটরবু মশক তাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা সোরোকখাইবম ললিতনা লৈখিদবা নুমিৎ অসি লৌজরগা পাঙথোকপনি। ওজা অসি মোদর্ন থিএটরগী মপানি হায়নরিবা অসিদা পান্দম অমগা লোয়ননা চঙশিনবনি।

মণিপুর লৈঙাক অমসুং মীয়াম অমদি মীদিয়া য়াওনা মীৎয়েং চঙবীদুনা থিএটরদা অমুক্কা হেন্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীহন্নিংই। মণিপুর সী এমনসু কলা সংস্কৃতি চাওখৎনবা হোৎনবদা অমদি মণিপুর থিএটর নুমিৎ অসিবু ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপীরগদি অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর থিএটরগী নুমিৎ থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষ্যা পি বিমোলা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী অধক্ষ্যা আর কে তরুনিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

**OFFICE OF THE DEPUTY COLLECTOR SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**NOTICE**

21st October 2021

No. 1/SDC/SWG/Misc/06 (pt) : This is for the general information that one individual namely Md. Abdul Satar S/o Munashi Ali of Khabeisoi has been recorded in our records under patta number 661 Dag No : 216/454 measuring an area of 0.67 acres in Village 32-Khabeisoi.

The said person has not been identified in the said village. The pradhan of Kairang Khomidok G.P. has established that no such person exist in their jurisdiction in his written statement.

Moreover The Officer in Charge of Heingang Police Station has also verified the non-existence of the said person.

Thus is no one can establish their claims with relevant document within seven days the said patta will be deleted.

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Sawombung**
Imphal East

HL-P/0436/22

**PENSION BOOK LOST**

I have lost my Pension Book bearing PPO No. 23950/SM issued by Imphal East Treasury on the way between Singjamei and Liwa Road on 10/10/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **L. Chandramani Singh**
Chingamakha Chanam Pukhri Mapal, Imphal West

HL-P/437/22

**ওঁ নমো ভাগবতে বাসুদেবায়॥**



শ্রী য়াম্বেম নীলাকামোল সিংহ, সাং ৱাংবলদা লৈবিরম্বা অমসুং Bhagavat Shiksha Ashram, Thoubal Tomjing গী মেম্বর ওৎবিরম্বনা নুংশিজরবা আশ্রমগী ভক্ত-বৈষ্ণব, মহাক্কী ইমুং-মনুং অমসুং শাগৈ-নাতৈ পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৯/১০/২১ ইং, থাংজ নুমীৎতা শ্রীহরিগী চরন্দা চঙজখ্রে।

লৈখিদ্রবা কৃষ্ণ-ভক্তগী আত্মানা শ্রীহরিগী চরন্দা ঈংনা-চিক্না লৈজরুনবগীদমক লাক্লিবা তাং ২২/১০/২১ ইং, ইরাই নুমীৎকী অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা আশ্রমগী শ্রীরাধা-গোবিন্দ মনি মন্দিরদা Executive Member শিংনা মীশীং য়ামদনা COVID-19 SOP ঙাক্লা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকচগনি।

পাউজেঞ্জরিবা : **O. Manao Singh**
Secretary General
Bhagavat Shiksha Ashram
Thoubal Tomjing

HL-P/0428/22

**NIMAICHAND AND KEINYA HIGH SCHOOL**

**অৱাবা ফোঙদোকচবগী পাউজেল**



ঙসি তাং ২১/১০/২০২১ ইং, শগোলশেন নুমীৎকী অয়ূক পুং ১০.০০ তাবা মতমদা নিমাইচান্দ অমসুং কৈন্যা হায় স্কুলগী ওফিসতা স্কুল অসিগী ষ্টাফশিংগী মীফম অমা ফমদুনা স্কুল অসিদা মতম কুইনা ওজা ওইবিরম্বী **লৌক্রাকপম নিঙোল লৈশাংথেম ওংবী অহনবী দেবী**, থৌবাল ৱাংমতাবাদা লৈবীরম্বীনা পূন্সি খোঙচৎ লোইরদুনা হৌখিবা তাং ১৮/১০/২০২১ ইং, নিংথৌকাবা নুমীৎতা তাইবংপান থাদোকখিবদা স্কুল অসিগী ষ্টাফশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখি। অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অসিদা ষ্টাফশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরসনু হায়না তাইবং মপূদা থৌনীজখি। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌমরদা শরুক য়াখিবা পূম্নমক্কা ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :
**নিমাইচান্দ অমসুং কৈন্যা হায় স্কুলগী ষ্টাফশিং**

HL-P/0434/22

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Imphal, the 12th October, 2021

It is hereby notified to the general public that "GODSPEED MICROFINANCE" office address at Wangkhei Yonglan Ayangpalli Road, Imphal East Manipur is obtaining/Seeking money lender's licence under the provision of Bombay Money Lenders Act, 1946 as extended in the state of Manipur.

Any objection in this regard may be seat filed is writing in the office of the Registrar Money Lenders, Lamphelpat, Manipur within 10 (ten) days from the date of publication of this notice. Further, any claim/objection/suggestion are not entertain after completion of given days.

*Sd/-* **Pravin Maisnam, Manager**
GODSPEED MICROFINANCE
Wangkhei Yonglan Ayangpalli Road, Imphal East

HL-P/0432/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 345/SDC/Moirang, Dated 21/10/2021**

1. Md. Lahimudding S/o Late Jamaruddin of Kwakta Thingel
2. Md. Alimuddin S/o Late Jamaruddin of Kwakta Thingel
3. Md. Zaherudding S/o Late Jamaruddin of Kwakta Sevla Ward No. 2 - Petitioners

-Vs-

Jamaruddin S/o (L) Usman Miya of Kwakta Khunou - O.P. Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Moirang, the 21st October, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মোইরাং তহশিল খুল নম্বর ৯১-ক্বাক্তা ভিলেজ, অরিবা পাট্টা নম্বর ১৬৯ অনৌবা ৩৬৫ সী: এস: দাগ নম্বর ৫৩০৭ গী লম এরিয়া ১.০৬ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং ককথৎপীরগা মৃত পাট্টাদারগী মচা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাট্টা অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা য়েৎপীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই, হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজরগনি।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/0433/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG, MANIPUR**

**Ref. Mutation Case No. 350/SDC/Moirang/2021**

1. Salam Joykumar Singh S/o (L) S. Kulbidhu Singh of Moriang Khunou Mamang Leikai
2. Salam Sophiya Devi W/o L. Dinesh Singh of - do -
3. Salam Ashangbi Devi W/o S. Choaba Singh of - do -

-Vs-

Late Salam Kulabidhu Singh S/o (L) Chaoba Singh of Chandpur Sabal Leikai

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Moirang 21/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৪-খা থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ১১০৩ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৩৮ এরিয়া ২.৩৮ একর চাওবা লম-ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/0433/22

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref. Mut. Case No. 508/AS & SO/TBL, Dt. 06/10/021**

Moirangthem Manikhomdon Singh S/o (L) Ibochouba Singh of Khangabok Part-III Makha Leikai - Applicant

-VRS-

(Late) Pattadar Moirangthem Ibochou Singh S/o (L) Moirangjao Singh of Khangabok Part-III Makha Leikai - Opp.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dt. 21/10/021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ১৮৩৪ (অনৌবা) দাগ নং ১৫৩৮ এরিয়া .৫৭০০ হেক্টর চাওবা তাওথবী লৌফম অমদি পাট্টা নং ১৯৫৮ (অনৌবা) দাগ নং ৩২৯৬ এরিয়া .১৫৪৪ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিদা নমা পাল্লিবা কো: পাট্টাদার নং ১শুবা মোইরাংথেম ইবোচৌ সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী শরুক্তগী অৱাং থংবদা তংখাই ১ মৃতু পাট্টাদারগী মচানুপা মনিখোমদোন সিংহদা তাওথবী লৌফম অসিগী এরিয়া .৫৭০০ হে: অসি নামা পানবীরো অমদি ইংখোল অসিগী এরিয়া .১৫৪৪ হে: চাওবা লম অসিগী এরিয়া তংখাই অমা (.০৭৭২ হে:) চাওবা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Officer TBL, Govt. of Manipur

HL-P/439/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NINGTHOUKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 230/SDC/NTK/202**

1. Sandam Naba Singh S/o (L) Maimu Singh of Nachou W/No. 4
2. Sandam (N) Thambal Devi D/o (L) Maimu Singh of Nachou W/No. 5
3. Sandam (N) Ibetombi Devi D/o (L) Maimu Singh of Nachou W/No. 1
4. Laishram Nilakanta Singh S/o (L) Sandam (N) Sanatombi Devi of Nachou W/No. 3 - Petitioners

-Vs-

Late, Sandam Maimu Singh S/o (L) S. Chaoba Singh of Nachou - Opponent

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Ningthoukhong the 21/10/21

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি 41-Nachou Village গী Patta No. 472 (N) C.S. Dag No. 2001/2037 Area 1.25 acre of Taothabi class অসিগী Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচাশিং (Petitioners) অসিদা নামা ওনীবরো হায়না উক্ত Court তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত Court তা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না Case মখা চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

HL-P/0435/22

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref. Mut. Case No. 509/AS & SO/TBL, Dt. 06/10/021**

1. Laishram Sanahanbi Devi W/o (L) Mahajon Singh of Khangabok Awang Leikai
2. Shanta Laishram S/o (L) Mahajon Singh of - do -
3. Laishram Yaima Singh S/o (L) Mahajon Singh of - do -
4. Ronaldo Laishram S/o (L) - do - of - do - - Applicants

-VRS-

(Late) Pattadar Laishram Mahajon Singh S/o (L) Anou Singh of Khangabok Awang Leikai - Opp.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dt. 21/10/021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ১৮৪১ (অরিবা) পাট্টা নং ২৬৩৯/৩৯২৮ (অনৌবা) দাগ নং ৪৪২৫ এরিয়া .১৮৪০ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিদা নমা পাল্লিবা পাট্টাদার লাইশ্রম মহাজন সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মৃতু পাট্টাদারগী লোইনবী অমদি মচানুপা ৩ (অহুম)গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Officer TBL, Govt. of Manipur

HL-P/439/22

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref. Mutation Case No. 280 of 2021**

1. Kshetrimayum Shakhi Devi W/o Khomdram Jugeshwor Singh of Kwakeithel Thounaojam Lekiai
2. Khomdram Dineshwor Singh S/o Jugeshwor Singh - do -
3. - do - Sivashwor Singh S/o - do - of - do -
4. Chanambam Bani Devi W/o Kh. Guneshwor Singh of - do - - Applicants

-Vs-

(L) Nameirakpam (N) Khomdram (O) Pashot Devi W/o Mukta Singh of Elangbam Leikai - O.P. Pattadarini

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Oinam, the 21st October, '21.

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২-কৈনৌগী পাট্টা নং ৫৭৮ (অনৌবা) দাগ নং ৭৬ এরিয়া একর ২.২৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/438/22

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।